

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ন্যু য়োর্ক ওপন এটিপি টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা য়ুএসকী সাম ক্বেরিবু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা সাউথ অফ্রিকাগী শান্নরোই কেবিন এন্দরসন*

*য়ুএসএগী কালিফোর্নিয়াদা লৈবা পেসিফিক পালিসেদসকী রিভেরিয়া কন্ট্রি ক্লবতা পাঙথোকপা জেনেসিস ওপন গোল্ফ টুর্নামেন্টকী টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা লৈবাক অদুমক্কী গোল্ফ শান্নরোই বুবা ৱেটসন*

## রোটরদাম ওপনগী সিঙ্গলস টাইটল স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা লৌখ্রে কটার ওপনগী সিঙ্গলস টাইটলনা জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা ফংখ্রে

*রোটরদাম। দোহা, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ*

নেদরলেন্দসকী সিটি রোটরদামদা চথরকপা এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা রোটরদাম ওপনগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সিঙ্গলস ফাইনেলদা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভপু মায়থিবা পীদুনা ৯৭রকশুবা টাইটল লৌখ্রে। কটারগী কোনুং দোহাদা চথরকপা দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কটার ওপনগী ঙরাং শান্নখিবা সিঙ্গলস ফাইনেলদা জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজা মায়থিবা পীদুনা টাইটল ফংখ্রে।



*রোটরদাম ওপনগী টাইটল ফংখ্রবা স্বিজরলেন্দগী ফেদরর অমসুং কটার ওপনগী টাইটল লৌখ্রবী জেক রিবব্লিক্কী কিটোভা*

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা রোটরদাম ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেল মেটচ অদুদা হন্দক্তা নৌনা চহী খ্বাইদগী য়াম্বা শান্নরোই ওইনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইখিবা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা এক্সরিয়েন্স হেল্লবা ফেদররনা দিমিত্রোভকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা মাঙজিল থারবা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা অনীশুবা সেট অদুদসু মহাক্কী ফজবা মশান্না অদু অদুমক মখা চথদুনা শান্নবা ঙমখিবদগী দিমিত্রোভকী সার্ভিস গেম অনী অমুক ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

কটারগী কোনুং দোহাদা ঙরাং শান্নখিবা কটার ওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজাবু পুং ২ গা মিনট ১৬ চঙনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা সেট ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট স্পেনগী মুগুরুজনা কিটোভাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোথরবা কিটোভানা অনীশুবা সেট অদুদা ফজনা শান্নরকপদগী মুগুরুজাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈগী হৌরকপদা পোইন্ট মান্ন–মান্ননা চৎলম্লবা মতুং লোইশিল্লকপদা জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা ফজবা হেনখিবদগী স্পেনগী মুগুরুজাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা কটার ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

তোঙান–তোঙানবা টেন্নিসকী টুর্নামেন্ট পাঙথোকপদা আর্জেন্টিনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা স্লোভেনিয়াগী এলজাদ বেদেনেবু ষ্ট্রেট সেট ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙগী চহীদা লৌখিবা টাইটল অদু দিফেন্দ তৌবা ঙমদুনা হন্দক্কী টুর্নামেন্ট অসিদসু টাইটল লৌবা ঙমখি।



*ন্যু য়োর্ক ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রবা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম*

আর্জেন্টিনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা য়ুম্বু লৈবাক অদুগী পেয়র এন্দ্রিজ মোল্টেনি অমসুং হোরাসিও জেবালোসনা ফাইনেল মেটচতা কলম্বীয়াগী পেয়র জোন সেবেসিয়ান কবাল অমদি রোবার্ট ফরাবু ৬–৩, ৫–৭, ১০–৩ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

য়ুএসএগী সিটি ন্যু য়োর্ক সিটিদা পাঙথোকপা ন্যু য়োর্ক ওপন এটিপি টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসননা য়ুম্বু লৈবাক য়ুএসএগী সাম ক্বেরিবু অকনবা লম্বা তৌনরগা ৪–৬, ৬–৩, ৭–৬(৭–১) দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

## স্পেনগী লা লীগাদা রিয়েল মাদ্রিদনা রিয়েল বেটিসপু পাঞ্জল ৫–৩ দা মায়থিবা পীখ্রে, ইটালিগী সেরি এ দা এসি মিলান মায় পাকখ্রে

*মাদ্রিদ। রোম, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ*

য়ুরোপকী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদা পাঙথোকপা ফুটবোল ক্লবশিংগী লীগ মেটচশিং দা স্পেনগী লা লীগাদা রিয়েল মাদ্রিদনা রিয়েল বেটিস পাঞ্জল ৫–৩ দা মায়থিবা পীখ্রে। ইটালিগী সেরি এ দা এসি মিলাননা সাম্পদোরিয়া পাঞ্জল ১–০ দা থোইখ্রে।



*লা লীগাগী লীগ মেটচ অমদা রিয়েল বেটিসপু ৫–৩ দা থোইবদা পাঞ্জল ২ চনখিবা রিয়েল মাদ্রিদকী এসেন্সিয়ো (য়েৎ)*

স্পেনগী লা লীগাগী পোইন্ট টেবলদা ৪শুবা পোজিসনদা লৈরিবা রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং ৯শুবা পোজিসনদা লৈরিবা রিয়েল বেটিসনা ঙসি শান্নখিবা ২৪শুবা লীগকী মেটচ অদু হৌরকপদা য়াম্না লম্বা মান্নখি।

মেটচকী অহানবা হাল্ফ শান্নবগী ১১শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী এটেক অমদা মার্কো এসেন্সিয়োনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা রিয়েল বেটিসপু ১–০ দা মাঙজিল থাবা হৌখি।

শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা রিয়েল বেটিসকী শান্নরোই ঐসা মান্দিনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা লৈখি। শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা রিয়েল বেটিসকী এটেক অমদা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোই নাচো ফর্নান্দেজনা শোয়বদগী চনশিনজখিবা পাঞ্জলনা রিয়েল বেটিসনা ২–১ দা মাঙজিল থারবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা পাঞ্জল অমা শোথরবা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৫০শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই সর্জিও রামোসনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি।

শান্নবগী ৫৯ শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা মার্কো এসেন্সিয়োনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা রিয়েল বেটিসপু ৩–২ দা মাঙজিল থারবা মতুং শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৪–২ দা মাঙজিল থাখি।

টিম অনীনা মখা তানা শান্নরকপদা ৮৫শুবা মিনটতা রিয়েল বেটিসকী শান্নরোই সর্জিও লিওননা টিম অদুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবা মতুং শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোই করিম বেঞ্জেমানা টিম অদুগী ৫শুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা রিয়েল বেটিসপু পাঞ্জল ৫–৩ দা মায়থিবা পীখি।

লীগ অসিগী ঙরাং শান্নখিবা ২৪শুবা লীগ মেটচ অমদা ইস্পানিওল অমসুং ভিলারিয়েল পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ভিলারিয়েলগী শান্নরোই রোদ্রিগো হের্নান্দেজনা শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা ইস্পানিওলগী ইক্বেলাইজর অদুনা শান্নবগী ৮৫শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই ইষ্টেবান গ্রানেরোনা চনখি।

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা ২৫শুবা লীগ মেটচ অমদা এসি মিলাননা সাম্পদোরিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা এসি মিলাননা ফংখিবা পেনাল্টি অমা টিম অদুগী শান্নরোই রিকার্দো রোদ্রিগেজনা কাউশিনবদা চহলহৌদবদগী পাঞ্জল মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

এসি মিলাননা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখিবা মেটচ অদুগী ১৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই গিয়াকোমো বোনাভেন্টুরানা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা সাম্পদোরিয়াবু ১–০ দা মাঙজিল থাখিবা অদু অহানবা হাল্ফ লোইশিনবা ফাওবা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অদুগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা তৌরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা অমনা অমবু হেঞ্জিন্নবা ঙমদনা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু এসি মিলাননা সাম্পদোরিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

লীগ অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ২৫শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা এটলান্টা অমসুং ফ্যুরেন্টিনা পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি। মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা ফ্যুরেন্টিনাগী শান্নরোই মিলান বাদেজিনা চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

অদুগা এটলান্টাগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদুনা শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা এন্দ্রিয়া পেটাগনানা চন্দুনা মেটচ অদু ১–১ দা দ্রো চৎখিবনি।

## পিওংচাং ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসকী নুপাগী বোবস্লেজ ইভেন্টতা কানাদা অমসুং জর্মনিগী টিম্না গোল্ড মেডল ফংমিন্নখ্রে

PyeongChang 2018

*পিওংচাং, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ*

সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা পিওংচাং ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসকী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী এঠলিট অনীগী ওইবা বোবস্লেজ ইভেন্টতা কানাদা অমসুং জর্মনিগী টিম্না গোল্ড মেডল অদু ফংমিন্নখ্রে।



*নুপাগী বোবস্লেজ ইভেন্টতা গোল্ড মেডল ফংমিন্নখিবা জর্মনি (ওই) অমসুং কানাদাগী এঠলিটশিং*

কানাদাগী মায়কৈদগী জষ্টিন ক্রিপ্সনা ইভেন্ট অদুগী অরোইবা রাউন্দদা ফজবা ঙমদুনা মমাঙদা জর্মনিগী মায়কৈদগী ফজখিবা পোইন্টশিং অদু ফুক্কৎতুনা পোইন্ট মান্নবদগী কানাদা অমসুং জর্মনিগী এঠলিট অনীনা মপুং ওইবা বোবস্লেজ ইভেন্ট অদুগী ফাইনেল রাউন্দ লোইশিল্লকপদা গোল্ড মেডল অদু লৈবাক অনীগী এঠলিটশিংনা ফংমিন্নখিবনি।

ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস অসিগী পুৱারীদা কুমজা ১৯৯৮ কী জপানদা পাঙথোকখিবা গেমস অদুদা অহানবা ওইনা টিম অনীনা গোল্ড মেডলগী ইভেন্ট অমদা চপ মান্ননা ফংখিবা খুদোংচাবা অদুগী মতুং হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরিবনি।

সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস অসিগী ঙসি ফাওবদা লৈখিবা মেডল টেল্লিদা গোল্ড মেডল ১১, সিলভর ৯ অমদি ব্রোঞ্জ ৮ ফংলগা পুন্না মেডল ২৮ দা মাঙজিল থারি।

জর্মনিনা গোল্ড ১০, সিলভর ৬ অমদি ব্রোঞ্জ ৪ পুন্না মেডল ২০ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। কানাদাগী টিম গোল্ড ৬, সিলভর ৫ অমসুং ব্রোঞ্জ ৬ ফংলগা অহুমশুবদা লৈরগা য়ুম্বু ওইরিবা সাউথ কোরিয়াগী টিম গোল্ড ৩ সিলভর ২ অমদি ব্রোঞ্জ ২ ফংলগা পুন্না মেডল ৭ ফংদুনা মেডল টেল্লিদা ৯শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

## ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনননা লৌখিবা ৱারেপ্পা চহী অসিগী মার্চ থাদা টিম ১৬ না শান্নগদবা সুপর কপকী টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ*

ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী খ্বাইদগী থাক ৱাংনা লৈরিবা লুপ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এআইএফএফ) কী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱারোল অমগী মতুংইন্না চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ থাদা অহানবা ওইনা ফুটবোল টিম ১৬ না শরুক য়াগদবা সুপর কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোইখ্রে।



*ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মরুওইবা ওফিসিয়েলশিংনা সুপর কপ টুর্নামেন্টকী ৱারেপ লৌখিবা*

ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা হৌজিক–হৌজিক চথরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমদি আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অনীগী মরক্তা চয়েৎনবা লৈরম্বা অদু কোক্লবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী অনৌবা ফোরমেট অমা ওইনা কুমজা ২০১৮ মার্চ থাদগী টিম ১৬ না শরুক য়াদুনা সুপর কপ হায়না মিংথোনবা লীগ টুর্নামেন্ট অমা হৌদোক্কদৌরি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি শাফোংদ্রিঙৈ মাঙওইননা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনননা ইন্দিয়াগী তোঙান–তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইনা আই লীগ হায়না মিংথোন্দুনা শান্নরম্বনি।

অদুবু তোঙান–তোঙানবা ফ্রেন্সাইজশিংনা মীৎয়েং চঙশিল্লক্তুনা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হায়না মিংথোল্লগা হান্নগী আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুবু নমথরগা অনৌবা লীগ টুর্নামেন্ট অমা শান্নবা হৌখিবনি।

আই লীগতা লৈরিবা ইন্দিয়াগী তোঙান–তোঙানবা ষ্টেটশিংগী ফুটবোল ক্লবশিংনা ফ্রেন্সাইজগী মতাংদা খুদোংচাদবা লৈবদগী ইন্দিয়ান সুপর লীগ টুর্নামেন্ট অদু য়াওবা ঙমদনা লাকখিবনি।

মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী চৎন–পথাপকী মতুংইন্না লৈবাক অমগী ওইনা লৈরিবা তোঙান–তোঙানবা ষ্টেটশিংগী ক্লবশিংনা শরুক য়াবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ক্লবকী থাক্তা পাঙথোকপা লীগ টুর্নামেন্ট অদু শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাবগী পরিং লৈরম্লবসু ইন্দিয়াগী ওইনা সুপর লীগ হায়না মিংথোল্লগা ফ্রেন্সাইজ (শেল থাদবা ঙন্বা) তৌবা ঙম্বা লুপশিংনা মখোয়–মখোয়গী ক্লব শেমদুনা ইন্দিয়ান সুপর লীগ হায়না নৌনা টুর্নামেন্ট অমা শিনখিবনি।

ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী চৎন–পথাপকী মতুংইন্না ফুটবোল ক্লবশিংনা মখোয়–মখোয়গী মায়কৈদগী ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা আই লীগকী থাক্তা য়ৌননবা হোৎনরকখিবা অদুগী খুদোংচাবা অদু ইন্দিয়ান সুপর লীগ নমথদুনা লৈখিবনি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী চয়েৎনবা অদু লৈতনবা চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ থাদগী হৌরগা অহানবা ওইনা ইন্দিয়ান সুপর লীগ অমদি আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবা তোঙান–তোঙানবা ফুটবোল ক্লবশিংনা পুনশিল্লগা টিম ১৬ না শাবা সুপর কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোক্লবগী ৱারেপ লৌবা লোইখিবনি।

সুপর কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ ১২ দগী হৌরগা মার্চ ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবনি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিদা হৌজিক–হৌজিক চথরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমদি আইলীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক থোংবা টিম ৬। ৬ দাইরেক্ত এন্ট্রি ফংহল্লগা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী মমৈদা লৈরিবা টিমশিংনা অহাংবা কাখল ৪গী মফম ক্বালিফায়িংগী থাক্তা লম্বা তৌনদুনা সুপর কপ অসিদা য়াওননবা শেম শারি হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলনা ফোঙদোরকপা থাজবা য়াবা পাউ অমনা হায়রি।

## ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রি ১০১ রেঙ্কতা লৈখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ*

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা টেন্নিস শান্নরোই অমা ওইরিবা য়ুকি ভাম্ব্রিনা হৌখিবা চয়োলদা লোইশিনখিবা চেন্নাই ওপন চেলেঞ্জর টুর্নামেন্টতা রন্নর্স অপ তাখিবা ফজবা পার্ফোমেন্সনা ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা থাক ১১ হাইগৎলগা ১০১ শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে।

চেন্নাই ওপন চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রিনা লম্বা তৌখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোর্দান থোমসনবু মায়থিবা পীরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা চাওনা মাঙখিবদগী পোইন্ট ৱাংনা ফংলমগদবা তাঞ্জা অদু মাঙজখিবনি।

## য়ুএসএগী খৃষ্টিয়ান কোলমেননা চহী ২০ শুরবা মিটর ৬০ লমজেলগী নুপাগী ৱার্ল্ড রেকোর্দ থুগাইবা ঙমখ্রে

*ন্যু মেক্সিকো, ফেব্রুৱারি ১৯ঃ*

য়ুনাইটেদ ষ্টেট ওফ অমেরিকাগী ইন্দোর নেসনেল এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা মিটর ৬০ গী লমজেলদা লৈবাক অদুগী খৃষ্টিয়ান কোলমেননা চহী ২০ শুরবা রেকোর্দ অদু থুগাইবা ঙমখ্রে।





মশাগী চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবা খৃষ্টিয়ান কোলমেননা মিটর ৬০ গী লমজেল অদুদা সেকেন্দ ৬.৩৪ দা চেন্দুনা মমাঙদা অতোপ্পা য়ুএসএগী এঠলিট মোরিস গ্রিননা চহী ২০ গী মমাঙদা থম্লম্বা সেকেন্দ ৬.৩৯ গী রেকোর্দ অদু থুগাইবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই মমাঙগী চহী ২০১৭ দা লন্দনদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা সিলভর মেডল লৌদুনা মশা খিংবা এঠলিট অমা ওইনা লাকখিবনি।

য়ুএসএগী সিটি ন্যু মেক্সিকোগী অলবুকর্কিদা পাঙথোকখিবা এঠলেটিক্স টুর্নামেন্ট অদুদা খৃষ্টিয়ান কোলমেননা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।